
থম্মোয় পাউদম হুইয়েন ইন্দু

# মণিপুরদা আই এল পি কৈদৌঙৈদই চৎনগনি?

সিটিজনশিপ এমেন্দমেন্ট বিল (কেব/সী এ বি) হায়রগা নুপী-অঙাং-অহল করিনো হায়বা খঙদ্রবসু খঙলবগুম পংঙাঙ-ঙাঙনরম্বদু দিসেম্বর ৯, নিংথৌকাবা নুমিত্তা, ইন্দিয়াগী লৱার হাওস ওফ পার্লিয়ামেন্ট (লোক সভা) দা হোম মিনিষ্টর 'অমিট শাহ' না 'মণিপুরদসু বেঙ্গল ইষ্টর্ন ফ্রন্টিয়র রিগ্যুলেসন এক্ট ১৮৭৩ (ইন্নর লাইন পার্মিট সিষ্টেম) অদু চৎনহল্লগনি' লাউথোকখিবদগী ঈংথবা ৱারবা ঈহৌ অমা ওইরমগদবদু তঞ্জায় অমা খঙহন হন্থরকপগুম থম্মোয়সিদা ফাওরকই। লৈঙাকপুরেল বিরেন'নসু, বি জে পিগী থৌমীশিংনসু লৈবাক মীয়ামদা পাউচেল্লি - মীয়াম পুম্নমক্না যূমগী থোঙ্গালদা থোক্লগা মোদি অমসুং অমিটকী শক্তম পায়রগা হরাও-খোল্লাউ লাউদুনা পূক্নিংগী নুংঙাইবা ফোঙদোকপীয়ু। অতোপ্পা পোলিটিকল পার্টিগী মীওইশিংনদি শাউনীংগদবা ৱানি - মীওই অনীখক্কী মিং পন্দুনা খোল্লাউ লাউসি হায়রুবদু। হরাও মথোয় কাবা হেনমন্দুনা হায়খিবা ওইরিনি। ফংনি হায়বা থাজদ্রবা, মহৈরোয় অমগী (রোবিনহুদকী) থৱায় ফাওবা কৎখ্রবা দিমান্দ অমা, থাজদনা পীরনি লাউথোরকপদা হরাওরোইদবা কনানো? আই এল পি চৎনবা মফম অমদি সংবিধানগী ৬শুবা সিদ্যুলগী ৱারোলশিংনা কোভর তৌরিবা মফমশিংদা সী এ বিল'না এক্ট ওল্লক্লবসু করিমত্তা অকায়বা থোকহল্লোই/শোক্লোই হায়বা ৱারোল অমা য়াওখিবদুনা প্রাইম মিনিষ্টর/হোম মিনিষ্টর-ওফিস'না মণিপুরগী ঈহৌ ঈংথহন্নবা খোঙথাং অসি লৌখৎলকপা শোয়দনা ওইগনি।



অসিমক্তদা নোর্থ-ইষ্ট-ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসন (নেসো) গী লিচিং মখাদা মহৈরোয়শিংগী লূপশিংনদি, এমসু'সু য়াওনা হায়রিবসিনি - আই এল পি'গা সী এ বি' গা মরী শুকলৈ লৈনদে। মখোয়গী দিমান্দ'নি - নো সী এ বি এট ওল! সী এ বিল হৌদোকপা/চৎনহনবা শুকয়া য়ারোই। মরম অসিননি -মেনপেক'নদি টৌটেল সটদাউনগী খোঙজং মতম খরগী ওইনা হন্দোক্লে লাউথোকখ্রবসু এমসুনা খোঙজং মখা চথখিবা।

ঐগী থম্মোয় পাউদম পাবিরিবশিংনসু হংবীনীংলমগনি - ঙসিগা থানা নুমিৎ হুমনি থংনা থংননা ইস্যুসিদা হঞ্জিন হঞ্জিন তন্নিবসি করিগীনো? অনীরকফাও কদায়নো হায়রবদা, অহুন্নক শুরকপসিদদি পানীংলক্ত্রে - শোয়দনা হায়রক্লগনি।

অশেংবনি। তমসু তন্নন্নরোইদবনি। কুইরবা দিমান্দ - 'ইন্নর লাইন পার্মিট' চৎনহল্লগনি হায়বগী নুংঙাইবা পাউ মরকসিদা ঐসু য়াওশিন, অতোপ্পা ৱাখল অমদা চোং, কলম মচিন থৈরন্নগদবনি। হরাও তয়াম ফোঙদুনা লৈঙাকসিনসু মাগী থৌমী, ইমপ্লোয়ী ময়াম্বু নোংমই শিন্থা কোমথোকহনখ্রিবদুনিদনা! ময়ামগী নুংঙাইবা মীকুপশিং অদুদা ঐগীসু শরুক য়াওখিবনি। অদুবু ঙরাংগী থম্মোয় পাউদমদুদা ঐগী ইনাও অমনা ৱাহং অমা হংলককখি - 'তামো! হিস্মট সিংহগী ওর্দরদু চৎনহন্দবা অনৌবা ওর্দরদু কনানা সাইন তৌবগে... ওর্দরদু হান্না থোকহল্লগা হোম মিনিষ্টরনা কোন্না লাউথোকপরা, নৎত্রগা মানা হান্না লাউথোক্লগা, কোন্না ওর্দর থোক্কদবরা'...?" ৱারী ওইনদি শানরে। পার্লিয়ামেন্ট'তা নৎত্রগা এসেমব্লিদা মীয়ামগী মীহুৎ অমনা ৱা ঙাঙবসি পব্লিক মীটিংদা ঙাঙবগুম্না ঙাঙবা য়াদে। তৌরোইদবা থবক অমা তৌনি হেক্তা হায়জিনবা, ৱাশক হেক্তা শকচিনবা - হিংচাবীনা শরি শোনবগুম শরি ৱাশক শকপদু মফমদুদা চৎনদে। শাংলবা ৱারী অমনি। খল্লকই - মচং ওইবা খরদং কোল্লমসিদা তন্বা চুম'মাল্লে।

পার্লিয়ামেন্ট'তা নৎত্রগা এসেমব্লি'দা বিল অমা নৎত্রগা মোসন/রিজোল্যুসন অমা খন্নরকপদা ৱাহং-পাউহং তৌনরকপদা মিনিষ্টর অমনা হাওজ অদুগী মেম্বরশিংদা পীবা এস্যুরেন্স/প্রোমিজ/অন্দরটেক্কিং অদু থবক ওইনা পাঙথোকপা/পাঙথোক্তবা য়েংশিন্নবা কম্মিটি অমা লৈ। মদুবু কৌই - কম্মিটি ওন গভর্ণমেন্ট এস্যুরেন্সেস। নহান, হোম মিনিষ্টর অমিট শাহ'না, মণিপুরদা আই এল পি চৎনহনবগী ৱাফম অমা লোক সভাগী নিংথম-মীফম হৌদোকপা নুমিত্তা ফোঙদোকখিবদু 'লৈঙাকসিনা মীয়ামদা পীবা থাজবা' (গভর্ণমেন্ট এস্যুরেন্স) কৌই। অসিগুম্বা এস্যুরেন্স অসি য়েংশিন্নবা, স্পিকরনা শেম্বা কম্মিটি অদু লোক সভাগী এম পি তরামঙা'না শাগনি। কম্মিটিসিদা মিনিষ্টর অমত্তা য়াওবা য়াদে। কম্মিটিগী মেম্বর অমা মিনিষ্টর ওইবা তারক্লবা, মহাক মেম্বর ওইবা তোক্কদবনি। দেপ্যুটি স্পিকর অমা মেম্বর ওইনা য়াওরবদি, মহাক্না চেয়রমেন ওইগদবনি।

ইশম শম্না, কম্মিটি অসিগী মরু ওইবা থৌদাংদি- মীয়ামগী মীহুৎশিংগী হাওজ অদুদা মিনিষ্টর অমনা পীখিবা এস্যুরেন্স, শকখিবা ৱাশক অদু অপিবা মতমদুগী মনুংদা থবক ওইনা পাঙথোকপা ঙল্লবরা/পাঙথোকখ্রবরা হায়বদু য়েংশিল্লগা হাওজতা রিপোর্ট পীবনি। অয়াম্বা মতমদা, অসিগুম্বা অপীবা মতমসি থা অহুম ওইগল্লি। থা অহুমগী মনুংদা থবক পাঙথোকপা ঙমদ্রবদি মরী লৈনবা মিনিষ্ট্রি অদুনা কম্মিটিসিদা চে থাদুনা মতম শাংদোকপীনবা হায়জগদবনি। কম্মিটি অসিগী মপুন্সি চহী অমমমনি।

অসুম্না, মণিপুরদা আই এল পি চৎনহল্লগনি হায়না হোম মিনিষ্টর'না লাউথোকখিবা নুমিত্তুদা, মথৌ তাবা এগজিক্যুটিভ ওর্দর অদু থোক্লবরা/থোক্ত্রিবরা হায়বদুদি পনখিদবনা চপ-চানা কনানসু হায়বা ঙল্লোই। অদুবু, ঐখোয় থা অহুমগী মনুংদদি চপ চানা খঙলগনি - ওর্দর অদু তশেংনা থোক্লবরা/থোক্ত্রিবরা? কনানা খূৎয়েক পীবগে?

লৌশিং পুক্কে/খোমজিনবা- কৈথেল্লাকপম খুমনঙম্বা

# ব্রেষ্ট কেন্সর কয়াম থুনা শন্দোরকপগে



ব্রেষ্ট কেন্সর হায়বসি মণিপুরগী নুপীশিংদা খ্বাইদগী য়াম্না নাগনবা কেন্সর মখলনি। মীওই অমদা নাবা ব্রেষ্ট কেন্সর অসি চহী অমদা কয়াম্মুক য়াম্না অহোংবা লৈবগে হায়বসি পাবদা অরুবা অমনি। ব্রেষ্ট কেন্সর মখল খেন্নবগী মতুংইন্না শন্দোরকপগী চাংসু খেন্নে, অমদি অতৈ ফেক্টর কয়ানা মরম ওইরগা চাউথোরকপা অমদি শন্দোরকপগী চাংদা মান্নদবা থোকহল্লি।

কেন্সর হায়বসি মীওইবগী সেলশিংদা ম্যুটেসন থোকপদগী ওইরকপনি। ম্যুটেসন থোকপনা মরম ওইরগা সেল দিভিজনগী লৈফম থোকপা মওং মতৌ অমদি পেটর্ন অদু কায়হনবনা মরম ওইরগা লায়না অসি হেঞ্জিল্লকপগী চাং লেপথোকপদা অরুবা ওইহল্লি।

অশোকপা সেলশিং হঞ্জিন হঞ্জিন্না রেপ্লিকেট তৌবদগী এবনোর্মেল ওইরবা সেলশিংগী মপৈ অমা ওইরক্তুনা ট্যুমর ওল্লকই। ব্রেষ্ট কেন্সর সেলশিং অসি কায়রগা লিম্ফ নৎত্রগনা ঈগী উতোংশিং ফাওরগা হকচাংগী অতৈ মফমশিংদা চৎপা ঙম্মী।

করিগুম্বা ব্রেষ্ট কেন্সরগী সেলশিং অসি হকচাংগী অতোপ্পা মফমদা লৈবা হৌরক্লবদি মদুবু মেটাষ্টসিস কৌই। থৌওং অসি লিম্ফ নোদশিং, লঙস অমদি শরুশিংদা খ্বাইদগী হেন্না থোক্কল্লি। অসুম্না তৌবদগী হকচাংগী অতোপ্পা মফমদা ট্যুমর লৈরবসু মদুবু ব্রেষ্ট কেন্সর অদুম্মক কৌই।

ব্রেষ্ট কেন্সর চাউখৎলকপা অমদি শন্দোরকপা অসি মখাগী মরমশিং অসিগী মখা পোল্লি:

ব্রেষ্ট কেন্সরগী মখল- ব্রেষ্ট কেন্সর অসি ইনভেসিব নৎত্রগনা নোনইনভেসিব হায়না মখল অনী লৈ। নোনইনভেসিবতি দক্ত নৎত্রগনা লোব্যুলশিংগী মপান্দা শন্দোরকপা ঙমদে। ইনভেসিব ব্রেষ্ট কেন্সরনা অকোয়বদা লৈবা কন্নেক্টিব টিসু, লিম্ফ নোদশিং, অমদি হকচাংগী অতোপ্পা মফমশিংদা শন্দোকপা ঙম্মী।

গ্রেদ (১-৩)- কেন্সর সেল অদু চুম্নগী ব্রেষ্ট সেলশিং অদুগা কয়ামুক য়াম্না মান্নবগে হায়বদুগী মতুংইন্না ব্রেষ্ট কেন্সর অসি গ্রেদ (১-৩) খায়দোকই। গ্রেদ ১ অসিনা চাওখৎলকপা থীনবা কেন্সরনি অদুগা গ্রেদ ৩ না য়াম্না থুনা চাওখৎলকপা কেন্সরনি। গ্রেদ ৱাংবা অসিনা থুনা চাওখৎলকপা অমদি হকচাংগী অমদি ব্রেষ্টকী অতোপ্পা মফমশিংদা থুনা শন্দোরকপা য়াবগী ওইথোকপা লৈ হায়না খঙনৈ।

ষ্টেজ (০-৪)- হেল্থ ক্যের প্রোফেসনেলশিংনা ব্রেষ্ট কেন্সর নাবা হেঞ্জিল্লকপগী চাং অসি ষ্টেজ নাইনা খায়দোকই। লায়েংবগা মরী লৈননা ফিরেপ লৌবদা মসি য়াম্না মরুওইবা অমনি। ব্রেষ্ট কেন্সরগী ষ্টেজশিং মখাদা পীরি:

ষ্টেজ ০- ষ্টেজ অসিদা লৈরিবা ব্রেষ্ট কেন্সর অদু নোনইনভেসিবনি হায়না লৌই, মসি দক্ত নৎত্রগনা লোব্যুলশিংখক্তংদা লৈ।

ষ্টেজ ১- ষ্টেজ অসিদা লৈবা ব্রেষ্ট কেন্সর অদু ইনভেসিবতি ওই, অদুবু মদুনা লৈরিবা মফম অদুগী অকোয়বদা য়াম্না পীকপা মফমখক্তংদা লৈ।

ষ্টেজ ২- ষ্টেজ ২গী ব্রেষ্ট কেন্সরসু ইনভেসিবনি, ট্যুমর অদু ষ্টেজ ১দগী হেন্না চাউবা য়াই, লিম্ফ নোদতসু কেন্সর অদু শন্দোরকপা য়াই।

ষ্টেজ ৩- ষ্টেজ ৩ ব্রেষ্ট কেন্সরসু ইনভেসিবনি। ট্যুমর হেন্না চাউবা য়াই, লিম্ফ নোদশিংদা কেন্সর শন্দোক্কনি। অতৈ ওর্গানশিংদদি শন্দোক্ত্রি।

ষ্টেজ ৪- ব্রেষ্ট অমদি লিম্ফ নোদশিংগী মপান্দা, হকচাংগী অতৈ মফমশিংদা ব্রেষ্ট কেন্সর অদু শন্দোকখ্রগনি। শরুশিং, লঙ্‌স, ব্রেন নৎত্রগনা লিভরদা শন্দোক্কল্লি। ষ্টেজ অসি য়ৌরবা মতমদা লায়েংবদি কেন্সর অদু কন্ট্রোল তৌবা অমদি মখা তানা শন্দোরক্তনবা হোৎনবনি।

হকচাংগী অতোপ্পা মফমশিংদা শন্দোকখ্রবা নৎত্রগনা ষ্টেজ ৪ য়ৌখ্রবা কেন্সর মখা তানা অমুক্না হেন্না শন্দোরক্কল্লি। অদুবু চহী অমদা কয়া য়াম্না শন্দোরক্কদগে হায়বদুদি পাথোকপদা অরুবা ওইনা থোকই।

পর্সনেল ফেক্টর- চহী অমগী মনুংদা চাউখৎলকপা অমদি শন্দোরকপগী চাং অসি মীওই অদুগী পর্সনেল ফেক্টরশিংগীসু মখা পোল্লি। ফেক্টরশিং অদুগী মনুংদা দাইগ্নোস তৌবা মতমদা ওইবা মশাগী চহী; হোর্মোনগী ষ্টেটস; ব্রেষ্ট কেন্সরগী ফেমিলি হিষ্টরি; য়ু, চুরুট নৎত্রগনা পোল্যুসনদা এক্সপোজ তৌবা অমদি মমাঙদা কেন্সর নাখিবগী হীষ্টরি অসিনচিংবশিং য়াওরি।

ব্রেষ্ট কেন্সর অসি নোর্মেল সেলশিং ম্যুটেট তৌবদগী মশাগী ওইফম থোকপা চাংদগী হেন্না থুনা সেল মশিং য়ামখৎলকপদগী থোকপনি। সেল অমনা দিবাইদ তৌদুনা সেল অনী ওইরকই, নৌনা ওইরক্লিবা সেল অনী অদুনা অমুক দিবাইদ তৌদুনা মরি অমুক ওইরকই, অসুম্না মথং মথং তৌখিদুনা মশিং য়াল্লবা কেন্সর সেলশিং অদুনা ব্রেষ্ট টিসুগী মনুংদা ট্যুমর ওইরকই।

কেন্সর নাবা হেঞ্জিল্লকপগী চাং অসি কেন্সর সেলশিং অদুনা মশিং য়ামখৎলকপগী খোঙজেল অদুগী মখা পোল্লি। কেন্সর চাউখৎলকপগী চাং অসি পাথোকপদা অরুবা অমা ওই মরমদি সেলশিং মল্টিপ্লাই তৌবা অমদি দিবাইদ তৌবগী খোঙজেল অসি সেল অমগা অমগা অমত্তা মান্নদে।

অয়াম্বনা ব্রেষ্ট কেন্সর অসি ব্রেষ্ট টিশ্যুদা শন্দোক্ত্রিঙৈ মমাঙদা মিল্ক দক্টশিং নৎত্রগনা লোব্যুলশিংদগী হৌরকই, মখোয়শিং অসি খোল্লাং পুথোকপা গ্লান্দশিংনি। দক্ত নৎত্রগনা লোব্যুলশিংদা দিবেলপ তৌবা ব্রেষ্ট কেন্সর অদু কন্নেক্টিব টিশ্যুদা শন্দোরকই। মসিদগী অকোয়বদা লৈরিবা লিম্ফ নোদশিংদা অমুক শন্দোরকই।

লিম্ফ নোদতা হেক চঙখিবদগী লিম্ফেটিক সিষ্টেমদা নৎত্রগনা ঈগী ঈচেলদা চঙখিদুনা হকচাংগী অতৈ মফমশিংদা শন্দোকপা ঙম্মী।

## পাঙলশিংগী ইন্টরনেসনল কনভেন্সনদা সপোর্ট তৌগনি, ফুরুপশিংগী মীয়াম্নসু শরুক য়াবীয়ু : অরাফট

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১০ (ঐচ এন এস) : ওল মণিপুর মুস্লিম ওর্গনাইজেসন কোওর্দিনেটিং কম্মিটি (অম্মোকোক) না মপুং ওইনা থৌদাং লৌদুনা সিটি কনভেন্সন ইম্ফালদা পাঙথোক্কদৌরিবা ইন্টরনেসনল কনভেন্সন অসিদা শৌগৎকনি, মণিপুরদা লৈরিবা ফুরুপ পুম্নমক্নসু শরুক য়াবীয়ু হায়না জোইন্ট প্রেস ষ্টেটমেন্টকী কনভিনর অমদি মুস্লিম কাউন্সীল মণিপুরগী প্রসিদেন্ট অরাফট আলিনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, ঙসি নুংথিল পুং ৩ তাবদা মণিপুর পাঙলগী ষ্টেট লেভেল থাক্তা লৈবা ওর্গনাইজেসন ১২ না ফম্মিন্নদুনা কুপ্না খন্ন-নৈনখ্রে। অম্মোকোক্না মপুং ওইনা থৌদাং লৌদুনা সিটি কনভেন্সনদা নুমীৎ নীনি চুপ্না পাঙথোক্কদৌরিবা ইন্টরনেসনল কনভেন্সন অসিদা ওর্গনাইজেসন ১২ অসিনা থৱায় য়াওনা সপোর্ট তৌগনি। মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন অমদি মৈদিংঙু লৈশেম্বা সনাজাওবা য়াওনা ইন্টরনেসনল কনভেন্সন পাঙথোক্লবা থৌরাং তৌরি। মসিদা লমদমসিদা লৈরিবা ফুরুপশিংনসু সপোর্ট তৌবীয়ু।

অম্মোকোক্কী ওইবদা খেন্নবা অমফাওবা লৈতে। মচেৎ-মকায়গী ওইবা ৱাখল থন্বীগনু। অম্মোকোক্কী এন্যুএল জেনরেল বোদি মীটিং পাঙলশিংগী ইন্টরনেসনল কনভেন্সন ২০১৯ মতুংদা লৈবাক মীয়াম খঙনা পাঙথোক্কনি। ইন্টরনেসনল কনভেন্সন অসি ফাওবদি অপনবা পীবীগনু। কনভেন্সন অসিগীদমক লূপ ১২ না শৌগৎপগা লোয়ননা মপুং ফানা শরুক য়াগনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

ꯃꯇꯝ ꯃꯌꯥꯏꯗ ꯀꯝꯂꯣꯛꯄꯒꯤ / HEAVY DISCOUNT

Christmass অমদি অনৌবা চহী লাকপগা লোয়ননা

HVS Construction Materials Pvt. Ltd না চেক্কী Discount পীজরি।

| | | |
|---|---|---|
| 1. | Mec 1st Class | 50% |
| 2. | Mec. 2nd Class | 20% |
| 3. | Mec 1st Reject | 20% |
| 4. | Mec Jamat Atingba | 20% |
| 5. | Mec Petty Class | 20% |
| 6. | Mec 3rd Class | 20% |

পীজরিবা চেক্কী Discount অসিবু খুদোংচাবা অথুবদা লৌবিহৌ।

Please Contact Nos. 0385 - 2436111
8415902343

Sd/- Managing Director
HVS Construction Materials Pvt. Ltd.
Patsoi Lamkhai N.C. Road Imphal, Manipur - 795113

HL-P/5475/11,12

TEMPLE OF LEARNING

Kha Naorem Leikai, Canchipur, Imphal, Manipur.

TEMPLE OF LEARNING

ADMISSION OPEN 2020

PRE- NURSERY TO CLASS IX

LIMITED SEATS: FIRST COME FIRST ADMISSION

Admission form available at School Office during office hour ; 10:00 a.m. To 3:00 p.m.

*CONTACT DETAILS: 9612346366 ,9436038156, 7005155523

www.templeoflearning-edu.org / email: tolcanchi@gmail.com

HL-P/5445/7/13

## আই এল পি চৎনবা হায়বসি লিগেল ওইবনা পার্লিয়ামেন্ট ফম্লিবৈঙৈদা অইবা চেরোল থাদোক্কদবনি : জয়

*নোমিতা খোংবান্তাবম*

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১০ (ঐচ এন এস) : আই এল পি চৎনবা হায়বসি লিগেল ওইবনা পার্লিয়ামেন্ট ফম্লিবৈঙৈদা অইবা চেরোল থাদোক্কদবনি হায়না হ্যুমেন রাইটস দিফেন্দরগী চ্যেরমেন জয় চিঙাখমনা ফোঙদোরক্লি।

পাউচে অসিগা উনবদা জয় চিঙাখমনা হায়খি, মণিপুরদা ওইরক্লিবা ফীভম অসিদা সেন্টরনা মণিপুরদা আই এল পি চৎনরগনি হায়রক্লে হায়দুনা ছুটি লাউথোক্তুনা নুংঙাইবা ফোঙদোক্লি। হেক্তা লাউথোক্লগা আই এল পি চৎনরে হায়বা য়াগদ্রা। চৎনহনগনি হায়রবদি অইবা চেরোল অমা থারক্কদবনি। আই এল পি হায়বসি লিগেলগী ওইবা এক্ট এন্দ রুল অমনি। লিগেল ওইবা মরম্না ইন্দিয়া পুম্বা কাচিন-কোয়া শিন-থুংনা খঙহন্নবা পার্লিয়ামেন্ট মীফমদা অইবা চেরোল অমা থাদোকপীয়ু। সিভিল সোসাইটি অমা ওইনা মণিপুর লৈঙাক্না তৌরিবা থবকশিং অসিদা চিংনবদি লৈরি। চিংনবা অসি কোক্লবা মণিপুর লৈঙাক অমদি ইন্দিয়া লৈঙাক্না ময়েক শেংনা থমগদবনি।

বেঙ্গোল ইষ্টর্ন ফ্রন্টিয়র রেগ্যুলেসন ১৮৭৩ অসি মিজোরাম, নাগালেন্দ অমদি অরুনাচল প্রদেশতা চৎনরিবা অমনি। অসিগুম্বা রেগ্যুলেসন অসি চৎনদুনা লৈরিবা মফমশিং অসিদসু সিটিজন্সিপ এমেন্দমেন্ট বিলগী অকনবা শাফু কিবদগী সী এ বি চৎনবা য়ারোই হায়রিবনি। অরুনাচল প্রদেশ, নাগালেন্দ অমসুং মিজোরামনা সী এ বি চৎনবা য়ারোই হায়না লাউরিবসি আই এল পি চৎনরবসু য়েলহৌমী নমথনবা মচাক ওইবদগীনি। সী এ বি চৎনহনবা হায়বসি পোলিটিকেলগী খুদোংচাবা ফংনবা হোৎনবা অমনি। মসিনা নোর্থ ইষ্টকী ওইনা অসুক্কী মতিক চৈথেং পীবা অমসুনি। নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটশিংদা অকনবা ঈহৌ চঙশিল্লিবনি। মণিপুরদা আই এল পি চৎনহনগনি হায়না ফোঙদোক্লগা হেক্তা চৎনবা য়াগদ্রা হায়বসিসু খন্থহন্নিংই।

ঙসি ইন্টরনেসনল হ্যুমেন রাইটস দেগী নুমীৎনি। মণিপুর মীয়ামগী রাইট কঞ্জনবা পুখৎকে খনবা অদু সী এ বিগী মতাংদা হৌবা ঈহৌনা সটদাউন লৈবদগী থৌরম ওইনদি পাঙথোক্ত্রে। মীওইবগী রাইট ফংবা ঙম্নবা দিসেম্বর ১০ অসি ইন্টরনেসনল হ্যুমেন রাইটস দে হায়না থৌরম পাঙথোক্লরিবনি। মীওইবগী রাইট ফংলবা মতমদা তংদু-লৈতাবা লাক্কদবনি। য়েলহৌমী মীয়াম্না তাল্লিবা দিমান্দ অসি য়েলহৌমীশিংগী রাইট ফংনবনি। রাইট ফংলবা মতমদা লমদম অসি মরা চেৎপা অমদি তংদু-লৈতাবা ওইরক্কনি। ঈং-তপ্পা লমদম অমসু ওইরক্কদবনি। মীওইবগী ফংফম থোকপা রাইট ফংনবা হোৎনবা হায়বসি য়াম্না মরুওইবা অমনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।





HL-B/5749/17oct-16nov.

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ১১।১২।২০১৯ ইং, য়ুমশকৈশা, অয়ুক পুং ১০.৫৯ ফাওবা পোইনুগী ১৪নি পানগনি, মতুং থানিল চংলনি।

**মেষ :** অরাপ্পা মফমদগী কান্নবা ফংবা অমদি থাজদনা শেল নত্রগা নুংঙাইবা ফংবা ওইগনি। মীয়ামদগী লাপথোক্কনু-ওইজবা ফংগনি। নাপলদি খক তৌগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশি মরী ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস।

**বৃষ :** থোইদোক্লা নীংবা থুংবা, হরাওবা অমদি মীচং হেনগৎকনি। নঙগী মীশিংগী মতেং লৌরগা অনৌবা থবক পাংহৌবা য়াগনি। পাইরক্কী লৌশিংদি শোনগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - মায় পাক্কনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

**মিথুন :** হকচাং নুংঙাইবা হেনগনি, তুংগী থৌরম নিংথিনা য়াৎথোকপা ঙমগনি অমদি লন চাওখৎকনি। অদুবু নথক থোংবনা চান্নবা খাংবদি কল্লু, য়েৎকনু।
লৈশা পাখংশিংগী - হেন্না অশা তৌরদি কাইনগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

**কর্কট :** শেল অমদি মীচং ফংগনি অদুগা হকচাংসু নুংঙাইবা হেনগনি। অনৌবা থৌরম পাংনবা কোক থাদৌ-মীনা ইনশিনবা ঙাইগনু। মীয়াম লোয়নবদি মাঙজগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - পাউ নুংঙাইবা ৱাৎকনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস।

**সিংহ :** পাংঙমদবা থবক পাংবগী নুংঙাইবা ফংগনি, ৱাখলগী পাঙ্গল কনবনা পূক্নিং চংনা হোৎনবদা চাউনা কান্নবা ফংগনি। নোল্লুক্না চত্রবদি মরুপ কাইনগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

**কন্যা :** ঙাঙবদা পকচবা অমদি অরং অরাক ফংবগুম নুংঙাইবা লৈগনি। অফা অপুন অমদি য়েৎনবা য়াবা মরমদা চংলুনু। থাজদনা নঙগী মীনা নরলদা মীতাবা লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - পূক্নিং লাকশিনবা ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

**তুলা :** থিবা হুন্বা কনবগী নুংঙাইবা, নচা ননাইগী লম্‌দা অফবা মফম কঞ্জবা ঙম্বা অমদি অফা অপুন কোকচবা নুমিৎনি। অদুবু ৱাঙাঙ শোইরদি ইকাইবা নংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - মায়থীবা নংদনবা মতম ঙাইয়ু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস।

**বৃশ্চিক :** নীংজবা অয়াম্বা পাংবা ঙমগনি, হায়জ নোনজবা মহয় য়ানগনি, অচুম্বা থৌওংনা মায় পাক্কনি-অদুনা নত্তবা পাম্বৈ শীজিন্নগে খনগনু, ইনশিনবা লৌগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবা ফংবৈ নুংঙাইজগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**ধনু :** খনবদুমক ঙসিসু পাংবা য়াগনি, নুংঙাইবা ফংগনি অমদি লল্লোনবদা চাউনা কান্নগনি। অদুবু নোল্লুক্না চৎত্রবদি অঙম্বনা তাথিগনি, মীকোক থোংলোই।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশি মরী চেৎকনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা।

**মকর :** য়েক্লবা হন্থগনি, অঙম অথৌনা চানবীগনি অমদি ঙাঙ-শকপদা ইকায়খুম্নবা ফংগনি। য়েৎনবা মরম অমদি ইরোয়দা লোয়নগনি অদুনা থিজিনখো।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশি মরী ফবা ৱাৎলি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক/থোইদিং অমুবা।

**কুম্বা :** য়েক্লবনা মরুপ-মপাং কাইহনবা অমদি মীৱা লৌরদি মাঙজবা লৈগনি। অশেংবা লৌশিংগী মতেংনা লন ফংনবা হোৎনবা লেম্নমক মায় পাক্কনি, নুংঙাইগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - থেংলপ্না নুংঙাইবা ফংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**মিন :** য়েক্লবনা অঙম্বদা লান্না তমশিনবা অমদি মরম চানা ইচং থৌবা ঙমদবা নুমিৎনি-ঈংথৌ। মরুপকা ৱাখল তানরোই। অনীংবদি পাংগনি, য়েক্লবা কোক্লনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবা ফংবগী নুংঙাইজৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।